# ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং

স্পোর্টসতা মিৎয়েং অমা | রত্নেশ্বরি গোশ্বামী


মেরি কোম


সরিতা


দেবেন্দ্রো


কলপনা


সুনিবালা


অনিতা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ
ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা গুৱাহটি অমসুং শিল্লোংদা হৌখিবা তাং ৫ দগী ১৬ ফাওবা চথখিবা “১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস” তা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা সনাগী, লুপাগী মেদল কয়া লৌদুনা চাউনা মায় পাক্লককখি।

সাউথ এসিয়াগী লৈবাক নিপান শ্রী লঙ্কা, পাকিস্টান, বংলাদেশ, অফঘানিস্টান, নেপাল, মালদিভস, ভুটান অমদি ইন্দিয়ানা শরুক য়াদুনা মশান্না ২২ দা কম্পিটিশন তৌনখি।

পূন্না এথলেট ২,৬০০ য়াওনা গেমস অসিদা মীওই ৪,৫০০ না শরুক য়াখি। নুমিৎ ১২ চুপ্পা তৌখিবা সাগ গেমস অদুদা ইন্দিয়ানা অপূনবা মেদল ৭৮৯ লৈবগী মনুংদা মেদল ৩০৮ লৌদুনা খ্বাইগী মকোক তাখি।

গেমস অদুদগী ইন্দিয়ানা সনাগী মেদল ১৮৮, লুপাগী ৯০ সেঙ্গেংগী ৩০ লৌরকখি।

মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মশান্না নিপানদা হায়বদি ৱুশু, আর্চরি, সাইক্লিং, ৱেঠলিফটিং, বোক্সিং, ত্রাইথলোন, জুদো অমদি নুপীগী ফুটবোলদা মথংশিংনা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্লকখি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা “১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস অদুদা সনাগী মেদল লৌরকখিবা শান্নরোয়শিংদি বোক্সিংদা লাইশ্রম দেবেন্দ্রো, এম সি মেরি কোম, লাইশ্রম সরিতা, জুদোদা সুসিলা লিকমাবম, থৌদাম কলপনা, অঙোম অনিতা চনু, ৱুশুদা য়ূমলেম্বম সপনা, লৈমপোকপম সনাতোম্বী চনু, য়ূম্নাম সনাথোই দেবী, কৈশাম অরুনপমা, ময়াংলম্বম পুন্সিবা মীতৈ, ময়াংলম্বম গ্যানদাস, ৱেঠ লিফটিংদা সাইখোম মীরাবাই, সঞ্জিতা, অর্চরিদা লাইশ্রব বোম্বেলা, পাওনম লীলী চনু, সাইক্লিংদা বিদ্যালক্ষ্মী, মনোরমা, ত্রাইথলোন্দা সোরোজিনি, মণিপুরী নুপী শান্নরোইশিংনা শেম্বা ইন্দিয়াগী নেসনেল ৱিমেন’স ফুটবোল টিম অসিনচিংবনি।

লোইননা সাইক্লিংদা তোংব্রম মনোরমানা শিলভর, জুদোদা হুইদ্রোম সুনিবালাসু শিলভর মথংশিংনা ফংলকখি। ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস ২০১৬ দা মায়পাক্লককখিবশিংদা শেলগী মনা পীনবসু য়ুনিয়ন কেবিনেটনা লাউথোককখিবা লৈখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা সনাগী মেদল ফংলকখিবশিংদা লুপা লাক্ষ অহুম, শিলভর মেদল লৌরকখিবশিংদা লুপা লাক্ষ অনী ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকপদনা লাক্ষ অমগী শেলগী মনা পীগদৌরি।


পাকিস্টান গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াদা লাকপদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং হায়দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোল্লবসু হন্দক পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা সিক্যুরিটিগী প্রোব্লেম লৈতনা হরাও তরাম্না শরুক য়াখিবা

## এফ সি খাবি, সি সি টোপ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ
কোঙ্গেংবম রাজু মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিন্দুনা সাইরেম খুলদা শান্নরিবা মঙাশুবা কোঙ্গেংবম রাজু মেমোরিএল সভেন এ সাইদ মেন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সলামনা ৱর্ক ওভর, এফ সি খাবি অমদি সি সি টোপনা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা রাউন্দদা সলাম অমদি কোন্থৌজম অনীনা শান্নগদবা কোন্থৌজম লাক্তবদগী সলামনা ৱর্ক ওভর ফংখি। অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা এফ সি খাবিনা তাকয়েল য়ুনাইটেদপু ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

লোয়ননা অহুমশুবা রাউন্দদা সি সি টোপনা অৱাং খুনৌবু ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।




## মাইক্রোমেক্সনা এসিয়া কপ ২০১৬ কী টাইটল স্পোন্সর ওইরি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ
মোবাইল ফোন পুথোক্লিবা মাইক্রোমেক্সনা বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা ফেব্রুৱারি ২৪ দগী মার্চ ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপ টুয়েন্টি ২০ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী টাইটল স্পোন্সরশিপ ওইরগনি।

এসিয়া কপ অসি ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা মার্চ থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড টি ২০ গী হেক মাঙওইননা পাঙথোক্কদবনি।

মাইক্রোমেক্সনা ইভেন্ট অসিগী টাইটল স্পোন্সর ওইবদা এসিয়ন ক্রিকেট কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট টিলাঙ্গা সুমাটিপালানা হায়খি, ইভেন্ট অসিগীদমক মাইক্রোমেক্সনা টাইটল স্পোন্সর ওইবদা এ সি সিনা নুঙাইবা অমদি হরাওবা পোকই অমদি ঐখোয়না ইভেন্ট অসিবু মায় পাক্কবা পূন্না থবক তৌমিন্নগনি হায়বগী মাঙলোমদা মিৎয়েং থল্লি হায়খি।

এসিয়া কপ অসিদা ইন্দিয়ানা টাইটল লৌননবা অকনবা মওংদা চঙশিন্নবা শেম শাখ্রে। ইভেনট অসিদা ইন্দিয়ানা মঙারক চেম্পিয়ন ওইখ্রবনি।




# বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমি টুর্নামেন্টতা এল এফ এ টিম বি থিনুঙ্গৈ অমসুং টি দি এফ সি ময়াং লাংজিং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ
টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিনা শিন্দুনা তাওবুংখোক্তা লৈবা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১০ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা অন্দর-১৬ টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এল এফ এ টিম বি থিনুঙ্গৈ অমসুং টি দি এফ সি ময়াং লাংজিং মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এল এফ এ টিম বি থিনুঙ্গৈনা টিবি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এল এফ এ টিম বি থিনুঙ্গৈ মেচ অনী শান্নখিবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ এগী মকোক্তা লৈখ্রে।

মায়থীহৌরবা টি বি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক মেচ অনী শান্নখিবদা অহানবা মেচ মায় পাকখি। অনীশুবা মেচ মায়থীদুনা পোইন্ট অহুম ফংলগা লৈরি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এল এফ এ টিম বি থিনুঙ্গৈগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবনা মেচকী ৯ শুবা মিনিটতা এন বিজয়না গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

এল এফ এ টিম বি থিনুঙ্গৈনা গোল অমা মাঙজিল থাখিবগা গোল শোথরিবা টি বি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দাক্লবা য়াম্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু গোল মাঙজিল থারিবা এল এফ এ টিম বিগী এন নেপোলিয়ন্না টিমগী অনীশুবা গোল মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখি। গোল অনী শোথরিবা টি বি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নরকপনা মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা কিষন্না গোল অমা হন্দোকখি।

মেচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা সুরঞ্জয়না টিমগী অনীশুবা গোল অদুগা দিপক্লা টিমগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৬৭ শুবা মিনিটতা চনখি। এল এফ এ টিম বি থিনুঙ্গৈগী অহুমশুবা গোল অদু এন মহেসচান্দনা মেচকী ৬২ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এল এফ এ টিম বি থিনুঙ্গৈগী এস কিপসননা মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা টি দি এফ সি ময়াং লাংজিংনা এম এস সি মালোম গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা টি দি এফ সি ময়াং লাংজিং মেচ অনী শান্নখিবদা অহানবা মেচ মায়থীখ্রে। অনীশুবা মেচ মায় পাক্তুনা পোইন্ট অহুম ফংলগা লৈরি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা এম এস সি মালোম মেচ অহুম শান্নখিবদা মেচ অনী মায়থীখ্রে। মেচ অমা মায় পাক্তুনা পোইন্ট অহুম ফংলগা লৈরি। মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিবা ঙম্মখিদে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা টি দি এফ সি ময়াং লাংজিংগী গোল অনীমক কুলুনা মেচকী ২৬ অমসুং ২৭ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা এম এস সি মালোমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এন নাওচানা মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি। হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এম টি এস য়ু মালোম অমসুং কে এল ৱাই সি ইরিলবুংগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা টি বি এস এফ এ টিম এ অমসুং ক্লাসা কৈনৌগা শান্নগনি।



## শগোল কাংজৈ, অরাম্বাই অমসুং পোলো মশান্না উৎকনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ
মণিপুরগী পুৱারীগা তৎন থানবা য়াদ্রবা শগোল কাংজৈ অমদি অরাম্বাই লোয়ননা মোর্দন পোলো ষ্টাইলগী একজিবিশন মেচ অমা হয়েং ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা উৎকনি হায়রি।

৫৭ মাউন্টেন দিভিজন্না স্পোন্সর তৌরগা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা শগোল কাংজৈ অমসুং অরাম্বাইগী একজিবিসন মেচ উৎপগী থৌরম অদুদা জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং ইন চীফ (জি ও সি) ইষ্টর্ন কম্মান্দ কোলকটা, লেফটিনেন্ট জেনরেল প্রবিন বক্সি, এ ভি এস এম ভি এস এমনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

লোয়ননা থৌরমদুদা জি ও সি থ্রি কোপস লেফটিনেন্ট জেনরেল অভে কৃষ্ণ, এ ভি এস এম ভি এস এম অমদি জি ও সি ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন মেজর জেনরেল এস এস মিশ্রা ভি এস এমসু শরুক য়াগনি।

হয়েং নুংথিল ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা একজিবিসন মেচ অদুগা মরী লৈননা মোর্দন পোলোগী একজিবিসন মেচ পাঙথোক্কনি।

পোলোগী একজিবিসন মেচ অদুদা হন্দক্তা মপান কাংজৈবুংদা লোইশিনখিবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রবা ঈ এস সি নোংমৈবুং অমসুং রন্নর্স-অপ তাখ্রবা খুরাই পোলো ক্লব অনীনা শান্নরগনি।

## রাজবাপু মেমোরিএল জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ
য়ঙ মেন’স দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন নাওরিয়া পাখংলাকপা লৈকায় হৈরাঙ্গোই থোংনা শিন্দুনা মরিশুবা এল রাজবাপু শর্ম্মা মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ কেশ প্রাইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ মার্চ ১৪ দগী ১৯ ফাওবা হৈরাঙ্গোইথোং বোল্লিবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

নুমিৎ তরুকনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা মার্চ ১০ ফাওবগী মনুংদা হৈরাঙ্গোইথোংদা লৈবা ৱাই এম দি ওগী ওফিসতা অয়ূক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা লাক্তুনা শান্নরোয়শিংগী মরী লৈনবা চে চাংশিং পীশিল্লকপা য়াগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্মসু হৈরাঙ্গোই থোংদা লৈবা ৱাই এম দি ওগী ওফিস নৎত্রগা মপান কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী ওফিসতগী লৌরবা য়াগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ২০ গী শেলগী মনা পীগনি। রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ১০ গী শেলগী মনা পীগনি। সেকেন্দ রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ৫ গী শেলগী মনা পীগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট স্পাইকর, বেষ্ট সেট্টর, বেষ্ট দিফেন্দর অমসুং বেষ্ট দিসিপ্লিন তারবশিংদা লুপা লিশিং ১/১ গী শেলগী মনা পীগনি হায়রি।

## বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপতা ইন্দিয়ানা তরুকশুবা ওইনা টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থমখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ
এম এস ধোনিগী কেপ্তেনসিপ মখাদা ইন্দিয়ানা লাক্লিবা এসিয়া কপ ২০১৬ তা মায় পাক্লা টাইটল লৌনবা অচৌবা আশা তৌখ্রে।

মেন ইন ব্লুনা হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইখিবা টি ২০ আই সেরিজদা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি শ্রী লঙ্কাগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা অদুদা চাউনা মায় পাকখিদুনা এসিয়া কপগী মপু ওইগনি হায়বগী থাজবা হেঙ্গৎহনখি।

ইন্দিয়াগী বেট্টিং দিপার্টমেন্টদা ৱর্ল্ড ক্লাসকী টোপ বেটসমেন মরি লৈরি। মখোয় অদুদি শিখর ধৱন, রোহিট শর্ম্মা, ভিরাট কোহলি অমদি অজিঙ্কে রাহনেনি। অদুবু রাহনেনা এসিয়া কপকী টিম এলেবেনদা য়াওরদবা য়ারি। ইন্দিয়ানা হার্দিক পন্দয়াবু শান্নহনবা পাম্বনা রাহনেবু টিম এলেবেনদা য়াওহন্দনবা খন্নখিবনি। পন্দয়াবু বোলিংগী থৌসু ধোনিনা পুহনবা পাল্লি।

মিদ্দল ওর্দরদা ইন্দিয়ানা মশক থোক্লা লৈরি। মিদ্দল ওর্দরদা লৈরিবশিংনা সুরেস রাইনা, যুভরাজ সিংহ, এম এস ধোনি অমদি পন্দয়ানি। অদুগা জাদেজানা বেট্টিংগী নম্বর নিপানশুবদা থল্লি। মখোয় পূন্নমক বেট্টিং লাইন্দা হেন্না কুপথনা শান্নবা ঙম্বা বেটসমেনশিংনি।

ধোনিগী বোলিং দিপার্টমেন্টতসু থোইদোক্লা নোপ্পা লৈবা ওইদ্রি। আর অশ্বিননা সব কন্টিনেন্ট অসিদা খ্বাইদগী ফজবা স্পিন্নর অমা ওইনা লৈরিবনি। জাদেজাসু মশক থোক্লা বোল লংলিবা অদুগুম্বা বোল্লরনি। মখোয় অনীনা মিরপুরগী শের-ঈ-বংলা নেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শরুক য়াগদবা লৈবাকশিংগী বেটসমেনশিংবু নৈগদৌরি।


ইন্দিয়াগী পেস দিপার্টমেন্ট অসি খ্বাইদগী অফবা অমা ওইদ্রগসু অশিস নেহরা, জাস্প্রিট বুমরাহ অমদি মোহম্মদ শামিনা ইন্দিয়াগী পেসর অহুম ওইনা স্কাদতা য়াওরি। শামিনা মশাগী অশোকপা অদু হৌজিক ফাওবা ফগৎপা লৈত্রিবনা মখোয় অহুম্মক স্কাদতা পুনগদ্রা হায়বদু তম্বা ঙমদ্রি।

ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল মঙারক লৌবা ঙমখ্রে অমদি হন্দক্কী অসিদা ফীভম চানা লৈরিবা ধোনি এন্দ কোনা মখোয়গী তরুকশুবা টাইটল লৌগনি হায়বগী থাজবা চাউনা লৈরি। ইন্দিয়ানা হৌজিক আই সি সি টি ২০ গী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱানদা লৈরি। অদুগা ইন্দিজয়াগী কোচনা রভি শাষ্ট্রিনা ওইরি।

ইন্দিয়াগী স্কাদতা য়াওরিবা মেম্বর ১৫ অদুদি হার্দিক পন্দয়া, জাস্প্রিট বুমরাহ, মোহম্মদ শামি, রভিচন্দ্রন অশ্বিন, সুরেশ রাইনা, অজিঙ্কে রহানে, রোহিট শর্ম্মা, হরভজন সিংহ, অশিস নেহরা, পৱন নেগি, রভিন্দ্র জাদেজা, যুভরাজ সিংহ, এম এস ধোনি, ভিরাট কোহলি অমদি শিখর ধৱননি।



## সারা ইরানিনা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



দুবাই, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ
ইটালিগী সারা ইরানিনা মেদিসন ব্রেঙ্গলবু দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৪-৬, ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

সেমী ফাইনেল মেচতা সারা ইরানিনা কারোলিন গারসিয়াগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনরগনি। ফ্রেঞ্চকী কারোলিন গারসিয়ানা জর্মনিগী এন্দ্রে পেটকোভিকপু ৫-৩, ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াখিবা টোপ সীদ নিপাননা সিঙ্গলস মেচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা লৈহৌখিবনা দব্লিয়ু টি এ নৎত্রগা এ টি পিগী পুৱারীদা অয়াম্বা সীদশিংনা লৈহৌখিবগী রেকোর্দ ওইখি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা ইরানিনা কুমজা ২০১৩ গী দুবাই ফাইনেলদা পেট্রা কেভিটোভাগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবনি।

মেচ লোইখ্রবা মতুংদা ইরানিনা হায়খি, মহাক্না বোল অমত্তা মাঙহনবা তৌখিদে। মহাক্না মায়োক্নদুনা শান্নখিবা অদু অরাইবা অমা ওইখিদে। মেচকী অহৌবদা অকনবা নুংশিৎ শিৎখিবনা অপনবা খরা থোকখি।

ইটালিয়ন অসিনা ব্রিক পোইন্ট ২২ গী মনুংদা ১০ দি পোইন্ট ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা অমেরিকন ব্রেঙ্গলনা ১৭ কী মনুংদা ৭ পোইন্ট ওন্থোকপা ঙমখি।

ঐনা বোল অদু শান্নখিবদা খুদোংথিবা ওইখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, চেম্পিয়নশিপ অসিদগী হান্নগী নম্বর ৱান অনা ইভানোভিক্না চেক্কী বারবোরা ষ্ট্রায়কোভাগী মখূৎতা মায়থীদুনা লৈহৌরে। শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা চেক্কী বারবোরা ষ্ট্রায়কোভানা অনা ইভা নোভিকপু ৭-৬ (৭/৫), ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।